# সাইনা নেহৱাল, ঐচ এস প্রনোয় স্বিস ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙংখ্রে, পি ভি সিন্ধু লৈহৌরে





বাসেল, মার্চ ১৯ঃ

মালেমগী রেঙ্ক তরুকশুবদা লৈরিবা সাইনা নেহৱাল অমসুং ঐচ এস প্রনোয়না ঙরাং মফম অসিদা শান্নখিবা দোল্লর ১২০,০০০ স্বিস ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীদুনা সেমী-ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড নম্বর ১২ শুবদা লৈরিবা পি ভি সিন্ধুনা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সাইনানা মহাক্কী অহুমশুবা টাইটল লৌনবগীদমক জপানগী তরেৎশুবা সীদেদ সয়াকা সাটোবু মিনিট ৫২ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৩-২১, ২১-১৫, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা খোঙ থাংজিনখি।

সাইনা অমদি সায়াকা অনীনা মমাঙদা থেংনখিবা মেচশিংদা সাইনানা ৫-১ দা মায় পাকপগী রেকোর্দ লৈরিবনি। ওলেম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা মথংগী রাউন্দদা অহুমশুবা সীদেদ ৱাং য়ি হানগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ৱাং য়ি হানগা সাইনা অনীনা হৌখিবা মেচশিংদা শান্নখিবদা ৱাংনা ৯-৪ দা মায় পাকপগী রেকোর্দ লৈরিবনি। অদুমকপু ইন্দিয়াগী টোপ সীদেদ অসিনা কুমজা ২০০৫ দা চাইনিজ অসিগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা অহুল্লক মায় পাকখিবনা মথংগী রাউন্দ শান্নগদৌরিবা অসিদা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱালনা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেমগী ৪১ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী চেক রিপব্লিক্কী ক্রিষ্টিনা গভনহোল্টপু ২১-১৮, ২১-১৭ তা মিনিট ৩৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ১৩ শুবা সীদ প্রনোয়না পুংঅমা চুপ্পা শান্নখিবা মেচতা থাইলেন্দগী ১৬ শুবা সীদেদ তানোংশাক সানসোম বুনসুকপু ২১-১৮, ২২-২৪, ২১-৯দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাওশিনখি।

মালেমগী ২৭ শুবা মফমদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অসিনা মথংগী মেচতা চাইনিজ টাইপেগী টজু ৱৈ ৱাংগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জদা প্রনোয়না টজু ৱৈগী মখূৎতা মায়থীহৌখিবনি।

সীদেদ ১৩ শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী প্রনোয়না প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা কুমজা ২০১০ গী কম্মনৱেল্থ গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট ইংলেন্দগী তরুকশুবা সীদেদ রজিব ওসেফপু ২১-১৩, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী হি বিংজিয়াওগী মখূৎতা ১৩-২১, ১৫-২১ দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী অনীরক ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবী অমদি মালেমগী ১২ শুবা মফমদা লৈরিবী পি ভি সিন্ধুনা ৱিমেন'স সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা চিনাগী হি বিংজয়াওগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

মালেমগী নম্বর ২৫ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা চাইনিজ অসিনা ইন্দিয়ন অসিবু মায়থীবা পীখিবদা শুপ্নগী মিনিট ৩২ খক্তমক চঙখি।

# সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী ফাইনেল চঙখ্রে জোকোভিচ, নদাল সেমী ফাইনেল য়ৌখ্রে







ইন্দিয়ন ৱেল্লস, মার্চ ১৯ঃ

মালেমগী টোপ স্পোটতা লৈরিবা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা কৃক-কৃক ইন্ননা শান্নখিবা বি এন পি পরিবাস ওপনগী ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল মেচতা অগনিয়স্ক রাদৱনস্কাবু ৬-৪, ৭-৬ (১) তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মালেমগী নম্বর ৱান্দা লৈরিবী অসিনা ওপনিং সেটতা ৪-২ দা নেম্না লৈখ্রবসু মতুং তারকপা গেমদা নিংথিনা শান্নরক্তুনা মেচ অদুবু মায় পাকখি। মহাক্না গেম অদু ফিংগৎপা অমত্তা য়াওদনা ইংনা তপ্না শান্নরক্তুনা রাদৱনস্কাবু নমথখি।

সেরেনানা ফাইনেলদা ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা অমদি কারোলিনা প্লিসকোবা অনীনা শান্নগদবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতগী ৱিন্নর ওইরকপা অদুগা লম্বা তৌনগনি।

সেরেনানা মেচ অদুগী অনীশুবা সেট অদু নীংথিনা শান্নখিবনা পোলিশ ওপোনেন্টবু নমথখি। সেরেনানা টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ১৯৯৯ অমসুং ২০০১ দা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখি।

ঐনা মফম অসিদা শান্নবদা মীয়ামদগী মতেং য়াম্না ফংই। মেচ য়েংলিবা মীয়াম্না সেরেনা চঙশিল্লু চঙশিল্লু হায়দুনা লাওরকখিবদা ঐগী পূক্নিং ফাথখি হায়না সেরেনানা ফোঙদোকখি।

চৎলিবা চহী অসি ঐগীদমক্তদি খ্বাইদগী ফবা চহীনি অমদি ঐগীদমক মতেং পাঙবিনবা ময়াম অমা লৈ হায়না খল্লি। ইন্দিয়ন ৱেল্লসতা হল্লক্লিবা অসি ঐগী খ্বাইদগী লাইবক ফবা অমনি।

অমরোমদা ওপন অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা নোভাক জোকোভিচনা ফ্রেন্সকী ৯ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জো ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গাবু ৭-৬ (৭/২), ৭-৬, ৭-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। ৱর্ল্ড নম্বর ৫ শুবদা লৈরিবা রফাইল নদালনা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মেচ লোইরবা মতুং জোকোভিচনা হায়খি, গেম অদু অকনবা লম্বানদুনা শান্নখিবা মেচ ওইখি। ঐনা মেচ অসি মায় পাক্তুনা রফাগা মায়োক্নগদৌরিবা অসিগীদমক নুংঙাইবা ফাওই। মসি খ্বাইদগী নুংঙাইবা মখল অমনি হায়না লৌই।

নাকল অমরোমদা নদালনা হায়খি, ঐনা টোপ টেন প্লেয়রবু মায়থীবা পীখি অমদি মদুনা ঐঙোন্দা টাইটল মেচ মায় পাক্কনবগী থাজবা হেনগৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

নদালনা গ্রান্দ স্লাম ১৪ গী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।


মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হয়েং অসি ঐগী লাইবক লেপকদবা নুমিৎনি। হয়েং ঐনা অতোপ্পা টোপ প্লেয়র অমা মায়োক্নদুনা শান্নগনি হায়খি।

নদাল অমদি জোকোভিচনা মেচ ৪৭ লক মায়োক্নদুনা শান্নখ্রে। মদুদা সার্ব অসিনা ২৪-২৩ দা মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখিবনি।

অমরোমদা শগোলশেল নুমিত্তা শান্নখিবা বি এন পি পরিবাস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিননা তরাশুবা সীদেদ ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৭-৬ (৪), ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সীদতা লৈবা ইষ্টানিলাস ৱারিঙ্কাবু মায়থীবা পীরমখিবা গোফিননা অহানবা ওইনা মহাক্কী লম্বাশিংবু নমহৎলল্লগা এ টি পি টুর মাষ্টরস ১০০০ গী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইখি।

# রিও গেমসকী ইন্দিয়ন শুটিং টিমদা মানাভজিট য়াওরে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৯ঃ

রিও ওলেম্পিক গেমসকী ইন্দিয়াগী মীওই ১২ না শাবা শুটিং স্কাদ অমা নেসনেল রাইফল এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) না ঙসি লাউথোকখিবদা ট্রেপ এস মানাভজিট সিংহ য়াওখ্রে অদুগা সঞ্জিভ রাজপুটনা য়াওবা ঙমখিদ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদল্লিষ্ট মানাভজিটপু মহাক্না ট্রাইয়েলদা ফংখিবা স্কোর অদু য়েংলগা টিমগীদমক খনগৎখি অদুগা অনীরক ওলেম্পিয়ন ওইখ্রবা রাজপুটনা টিমদা য়াওবা ঙমখিদে। রাজপুটনা অরোইবা ইন্দিয়ন শুটর ওইনা রিওগী কোটা ফংখিবনি। মহাক্না কোটা অদু মমাঙ থাদা ন্যু দেল্লিদা চথুখিবা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ফংখি।

অদুম ওইনমক সেলেক্সন ক্রাইটরিয়াগী মতুং ইন্না মানাভজিটনা মহাক্কী অপূনবা স্কোর অদুনা মহাক মশাবু টিমদা য়াওনবগী খুদোংচাবদু লৌজবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা রিও গেমসকীদমক শুটিংগী কোটা ১২ ফংখিবনি।

এন আর এ আই প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিংহনা হায়খি, ইন্দিয়াগী শুটিং স্কাদ অসি ওলেম্পিক্সকী সেলেক্সন পোলিসিগী মনুং চন্না হৈশিংবা পার্ফোমেন্স, মেরিট অমদি ইনভেষ্টমেন্টপু এন আর এ আইগী সেলেক্সন কম্মিটিনা ঈকাই খুম্নবা উৎতুনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা খনগৎখিবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, লন্দন্দা পাঙথোকখিবা অরোইবা এদিসনগী ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী শুটিং স্কাদ ১১ না শরুক য়াখিদুনা মেদল অনীখক লৌরগা হল্লকখি। মেদল অনী অদু ভিজয় কুমারনা শিলভর অমদি গগন নরংনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি।

রিওগীদমক শরুক য়াগদৌরিবা স্কাদ অদুদা বৈজিং ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদলিষ্ট অভিনাভ বিন্দ্রা, লন্দন গেমসকী ব্রোঞ্জ ৱিন্নর নরং, ৱর্ল্ড কপকী মল্টিপল অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মেদলিষ্ট জিটু রাই অমদি নুপীগী পিষ্টোল এস হীনা সিধু য়াওরি।

ইন্দিয়াগী শুটিং স্কাদ অদুদি অভিনাভ বিন্দ্রা (মিটর ১০ গী এয়র রাইফল মেন), গগন নরং (মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিশন মেন, মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন মেন, মিটর ১০ গী এয়র রাইফল মেন), চেইন সিংহ (মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসন মেন, মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন মেন), জিটু রাই (মিটর ৫০ গী ফ্রী পিষ্টোল মেন, মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল মেন), গুরপ্রীট সিংহ (মিটর ২৫ গী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টোল মেন, মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল মেন), পি এন প্রকাশ (মিটর ৫০ গী পিষ্টোল মেন), মানাভজিট সিংহ শন্ধু (ট্রেপ মেন), কিনন চেনাই (ট্রেপ মেন), সাইরাজ অহমদ খান (শকীট মেন), হোপুরভি চান্দেলা (মিযর ১০ গী এয়র রাইফল ৱিমেন), অয়োনিকা পাউল (মিটর ১০ এয়র ৱিমেন) অমদি হীনা সিধু (মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল, মিটর ২৫ গী পিষ্টোল ৱিমেন) নি।

# শ্রীলঙ্কাগী ৱর্ল্ড টি ২০ স্কাদতা ভন্দেরসেনা মলিঙ্গাগী মহুৎ শিল্লগনি





মুম্বাই, মার্চ ১৯ঃ

লেগ-স্পিনর জেফরি ভন্দেরসেনা শ্রী লঙ্কাগী ৱর্ল্ড টি ২০ গী স্কাদতা শোক্তুনা লৈরিবা লাসিট মলিঙ্গাগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি। আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ অসি হৌজিক ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা তোঙান তোঙানবা ভেন্যু নিপান্দা চথুরিবনি।

শ্রী লঙ্কা ক্রিকেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোহন দি সিলভানা হায়খি, মশাগী চহী ২৬ শুরবা ভন্দেরসেনা অথুবা মতমদা টিমদা জোইন তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মলিঙ্গাদি মহাক্কী খুউদা শোকপনা মরম ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওবা ঙমদনা ময়ূম মরমদমদা হনখ্রবনি।

ভন্দেরসেনা অসি শ্রী লঙ্কাগী ওরিজিনেল ৱর্ল্ড টি ২০ স্কাদতা য়াওখিবনি অদুবু হৌজিক সেলেক্সন পেনেলবু লুচিংলিবা অরভিন্দা দি সিলভানা খন্দোকখিবনি। ওরিজিনেল স্কাদ অদু কাপিলা ৱিজেগুনা ৱার্দেননা লুচিংখিবা মমাঙগী সেলেক্সন পেনেল অদুনা খল্লম্বনি।

ভন্দেরসেনা মমাঙদা টি ২০ ইন্টরনেসনেল মরী শান্নখ্রে। অরোইবা ওইনা হৌখিবা জানুৱারীদা ন্যুজিলেন্দগা শান্নখি।

অমরোমদা শ্রী লঙ্কা ক্রিকেট (এস এল সি) না পেসর লাসিট মলিঙ্গানা মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা ৱর্ল্ড টি ২০ দা শান্নবা য়াওদনা ঙরাং শ্রী লঙ্কা পাঙখ্রে হায়না লাউথোকখি। মলিঙ্গানা শান্নবা ঙল্লরোইদবা ফীভম উবদগী প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়মদা প্লেয়রশিং প্রেক্টিশ মেচ শান্নহন্দুনা মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা প্লেয়র খন্নবগীদমক সেলেক্টরশিংনা য়েংশিনখিবনি।

মলিঙ্গানা বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ্তা শ্রী লঙ্কাগী টিম কেপ্তেন ওইখি অমদি মখোয় টিমগী ওপনিং মেচখক্তমক শান্নখিবনি।

# যোগেশ্বর দত্তনা ইন্দিয়াগীদমক ওলেম্পিক কোটা ফংখ্রে



অষ্টানা, মার্চ ১৯ঃ

ষ্টার রেষ্টলর যোগেশ্বর দত্তনা মফম অসিদা চথুরিবা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী ঙসি নীনি চনবা থাংজ নুমিৎতা নুপাগী কেজি ৬৫ গী ফ্রী ষ্টাইল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমখ্রে।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও গেমসকীদমক যোগেশ্বরনা অনীশুবা কোটা ফংবা ইন্দিয়ন রেষ্টলর ওইখ্রে। মমাঙদা নরশিং যাদভনা অহানবা ওলেম্পিক কোটা ফংবা ইন্দিয়ন রেষ্টলর ওইখিবনি।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা ফাইনেল চঙখিবদগী ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি। চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱেথ কেটাগোরিশিংদা টোপ্তা লৈবা ঙম্বা অমদগী অনী ফাওবনা রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদল্লিষ্ট অসিনা গোল্ড মেদলগীদমক অদাম বাটিরোভকা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি। যোগেশ্বরনা ফাইনেল চঙলকপগী লম্বীদা ফজবা পার্ফোমেন্সশিং পীখিদুনা মহাক্কী বাউট অহুম মায়পাকখি। মহাক্না ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জু সোংবু ৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না ভিয়েটনামগী জুঅন দিন ভুয়েনবু য়াম্না লায়না ১২-২ দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না সেমী ফাইনেলদা কোরিয়াগী লী সুং-টুলবু ৭-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।



HL-B/3000/05/03-4/04

# ফিফানা রিও ওলেম্পিক্সতা এক্সত্রা টাইমদা মরিশুবা সবষ্টিট্যুট থাদোকপগী চৎনবী হৌদোক্কদৌরি



রিও দি জানৈরো, মার্চ ১৯ঃ

মালেমগী ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফানা চৎলিবা চহী অসিগী ওলেম্পিক্সতা এক্সত্রা টাইম মনুংদা টিমগী মরিশুবা সবষ্টিট্যুট থাদোকপগী চৎনবী নিয়ম নিতি হৌদোক্কদৌরি।

ফিফানা ইরাই নুমিৎতা থোকখিবা চেরোল অমদা হায়, হায়রিবা নিয়ম-নিতি অসি চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা জপান্দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ অমদি পাপুআ ন্যু গুনিয়াদা চথুগদৌরিবা অন্দর ২০ ৱর্ল্ড কপ্তা চাংয়েং তৌগনি হায়না জিনহুৱানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

গেমস অসিগী নিয়ম-নিতি শেম্বগী বোদি ওইরিবা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল এসোসিএশন বোর্দ (আই এফ এ বি) না অনৌবা থৌরাং অসিবু শৌগৎখিবদগী ফিফানা এক্সত্রা টাইমদা মরিশুবা সবষ্টিট্যুট থাদোকপগী চৎনবী হৌদোক্কনি হায়বা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

এক্সত্রা টাইমদা মরিশুবা সবষ্টিট্যুসনবু চাংয়েং ওইনা পাঙথোক্ক বা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা আই এফ এ বিনা ৱারেপ লৌখিবা অদুগী মতুং তারকপদা ফিফাগী এক্সিকুট্যটিব কম্মিটিনা অসিগুম্বা চাংয়েং অসি চহী অসিগী ওলেম্পিক ফুটবোল টুর্নামেন্ট, পাপুআ ন্যু গুনিয়াদা চথুগদবা ফিফাগী অন্দর ২০ ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ অমদি জপান্দা পাঙথোক্কদবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপতা চথনবা অয়াবা পীখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

ওলেম্পিক গেমস অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা ব্রাজিলগী রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কনি।

# পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু দগৱার্থ-লেৱিস মেথোদতা রন ২ দা মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ১৯ঃ

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা চথুরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী ঙসি ফিরোজ শাহ কোটলাদা পাঙথোকখিবা নুপীগী মেচতা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী মখূৎতা দগৱার্থ-লেৱিস মেথোদতা রন ২ দা মায়থীহৌখ্রে।

ইন্দিয়ানা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৯৬ লৌখি। মেচ শান্নরিঙৈ মনুং নোং কন্না চুবদগী মতম থেংথরকপনা মরম ওইদুনা দগৱার্থ-লেৱিস মেথোদ শীজিন্নদুনা ওভর ১৬ তা শান্ননবা মেচ অদু লেপখি।

ইন্দিয়াগী পাউখুমদা পাকিস্তান্না ওভর ১৬ তা ৱিকেট তরুক তুরগা রন ৭৭ লৌখি। দগৱার্থ-লেৱিস মেথোদতা য়েংলকপা মতমদা ইন্দিয়ানা ওভর ১৬ তা রন ৭৫ খক লৌরমদুনা পাকিস্তানগা য়েংনখিবদা পাকিস্তান্না রন ২ হেল্লম্বদগী মেচ অদু পাকিস্তান্না মায় পাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী বেদ কৃষ্ণমুর্ত্তিনা রন ২৪ অমদি বোলর অনম অমিননা ওভর ৪ দা রন ৯ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি। পাকিস্তানগী বেটস ৱিমেন সিদ্রা অমিননা রন ২৬ লৌখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি মায়থীখিবা অসি মখোয়গী বেটস ৱিমেনশিংনা মথৌ ফজনা পাঙথোকখিদবদগী পাকিস্তান্না থোইখিবনি। পাকিস্তান্না অকনবা মওংদা শান্নরক্তুনা মখোয়গী বোলরশিংনা মথৌ ফজনা পাঙথোকখিবনা ইন্দিয়াগী বেটস ৱিমেনশিংবু নমহৎখি।

পাকিস্তানগী নহিদা খানা রন ১৪ অমদি সিদ্রা আমিন্না রন ২৬ লৌদুনা মখোয় টিমগীদমক ওভর ১০ দা অপূনবা রন ৫০ লৌরগা ৱিকেট ৩ তুদুনা লৈখিবনি।

ইন্দিয়ানা ঙসি মেচ মায়থীখিবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙননবগী আশা তৌরম্বা অদু নিংহন্নবা পোকহনখ্রে। ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীগী মেচ অসি য়াম্না মরু ওইবা মেচ অমা ওইখিবনি।

মেচ অসিদা ইন্দিয়ানা মায় পাক্লম্লবদি টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙননবগী লম্বীদা অপনবা অমত্তা লৈরম্লোইদবনি। অদুবু ঙসি মায়থীখিবা অসিনা ফাইনেল চঙনবগী লম্বীদা অপনবা ওইহনখ্রে।